হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, ফেব্রুৱারী ১২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩১৫শুবা মশীং

# এস টি ষ্টেটস দিমান্দ

## রেকমেন্দেসন থাবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়বদু ময়েক শেংহন্নিংই

মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটস ফংহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কন্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)না চহী কয়াগী মমাঙদগী খোঙজং চঙশিন্দুনা লাক্লি। হায়রিবা দিমান্দ অসি মণিপুরগী মীওই কয়া অমসু শৌগৎলি অমসুং সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনগদবনি হায়বা মীগী মশীংসু য়াম্না লৈ। অদুম ওইনমক ঐখোয় করিগীদমক সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওনগদৌরিবনো। নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বগী চাউথোকচবা অদু সেদ্যুল্ড ত্রাইবগী লিষ্টতা চনখ্রবদি মাঙখ্রগনি হায়বা মীওই কাঙবু অমসু লৈতবা নত্তে। অনীমক্না খঙগদবদি নীংতম্বা লৈবাক ওইরম্মী, হীরম অমত্তদা মীপাল তাঙলমদে হায়রগসু মণিপুর ইন্দিয়াগী ফিবান্নংদা লৈরুবদগী ঐখোয়গী হিংবগী থাক অদুক্কী মতিক হন্থখ্রে। চাউখৎপদা য়ুরোপ লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদগী চহী ১০০ হানখিবগুম ইন্দিয়াগী ময়োল লমদা লৈরিবা চাউখৎলবা ষ্টেটশিংনা মণিপুরদগী চাউখৎপা চহী ১০০ হানখ্রে হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নগদবনি। হৌজিক্তি চাকনি-ফিনিবা ষ্টেট ওইরে। মরোমদোম লেপচবা ঙম্বগী ফীভম লৈত্রে। দিল্লিনা পীরগা চাবা, পীদ্রগনা কংবগী ফীভমদা লৈরে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱাখল্লোন তীন্নদবগী মতৌ অমা লাকপগী মমি তাদবসু নত্তে। কুমজা ২০২০ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং অসি লাখ ৩৪.৩৭ লোম শুরে হায়না পান্নরিবনি। মসিগী মনুংদা মৈতৈ/মীতৈনা মেজোরিটিনি হায়জরগসু তোঙান-তোঙানবা কাঙলুপশিং পুল্লপ পুনশিল্লগা য়েংনরুবদদি মৈতৈ/মীতৈনা মেজোরিটিনি হায়বা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবা পাক চাউবগী চাদা ৮ লোমতমক মৈতৈ/মীতৈশিংনা খুন্দারি। অমরোমদা, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংনা লল্লোন-ইতিক্কী মরী শেমগৎনবা হোৎনরিবা অসিসু চহী খরগী মতুংদদি শোয়দনা মায় পাক্লক্কনি। রেল য়ৌশিল্লকপা, সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগা শম্নরকপা মতমদদি মৈতৈশিংনা খুন্দাদুনা লৈরিবা তম্পাক্কী মফমশিং অসিদা অচৌ-অচৌবা কম্পেনি কয়ামরুম চঙলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লুপা ক্রোর কয়া খুজিং ওইদুনা শেমগৎকদবা ফেক্টরি, কম্পেনিশিং অদুগী লৈফম থিরকপদা হৌজিক হৌজিক খুন্দান্নরিবা তম্পাক্কী মফমশিং অসি স্কোৱার মিটর অমদা লুপা লাখ কয়া পীরবসু লৈগে হায়বা য়াওরক্কনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মৈতৈ/মীতৈদি লৈবাক অসিদগী মুৎখিবা হায়বসি শুংশোয় শোয়দ্রবগুম্বনি হায়বা য়াই।

ফুরুপ অসিবু মুৎখিগদবদগী কলহৌনবা লম্বীশিংগী মনুংদা মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী ষ্টেটস ফংহনবা হায়বসি মরম চাবা দিমান্দ অমনি হায়নসু লৌনরি। মৈতৈ/মীতৈবু মুৎখিদনবা কমদৌনা কনষ্টিট্যুসনগী ওইবা ঙাক্লৌ ফংহনবা য়াবগে হায়বগী লম্বী থিরকপদা এস টি ষ্টেটস দিমান্দ অসি লাকখিবনি হায়না লৌই। সেদ্যুল্ড ত্রাইব দিমান্দ কন্মিটিনা শীল্লগা তাঙ্কক অনীরক্তা মীওই লাখ কয়ানা শরুক য়াদুনা মৈতৈ/মীতৈবু এস টি ষ্টেটস ফংহল্লু হায়বা দিমান্দদা ৱাকৎ খোঙচৎ চৎখিবা লৈখ্রে। হৌজিক হৌজিক চঞ্চরিবা এসেম্বলী সেসন্দসু ওপোজিসন এম এল এ কে মেঘচন্দ্রনা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপপু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক রেকমেন্দেসন থাননবগী মতাংদা করি দিভলপমেন্ট লৈরবগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হাউসকী লিদরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ অসি প্রোটেক্সন তৌবগী তঙাইফদবদি লৈরে। অদুবু মৈতৈ/মীতৈবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চনবগী মতাংদা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রেকমেন্দেসন থাবগী মতাংদা অনৌবা দিভলপমেন্ট লৈতে। দিমান্দ অসি কনাগুম্বা খরনসু পামদে হায়রি। অদুনা মতম খরা পীবীখো হায়নসু ফোঙদোকখি। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরনা মতম খরা পীবীখো হায়খিবা ৱাফম অসিবু এস টি দি সী এমনা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপা ঙাইবীগনু হায়না ফোঙদোরকখ্রে। ফীভম অসিদা মৈতৈ/মীতৈ এস টি ষ্টেটস দিমান্দগী মতাংদা রেকমেন্দেসন থাবদা করি অকায়বা লৈবগে হায়বদু ময়েক শেংহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### মরিশুবা খ্বাইরম্বন ইমা কৈথেল মপুং ফানা শেমগত্তবনা ফেব্রুৱারি ১৫ ফাওবগী মনুংদা কৈথেল ফম্বা ঙম্লোইদৌরি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

থা কয়া কৈথেল ফম্লুদ্রবা মতুংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ হন্থরকপনা মরম ওইদুনা কৈথেল ফম্বা য়ারগনি হায়না লৈঙাক্না লাওথোকপীরকপদগী ইমা ইবেলশিংনা য়াম্না হরাওনখি। ইমা কৈথেল অহুম অমদি য়াম্না ফজনা শেমজিনখ্রে অদুবু মরিশুবা ইমা কৈথেল হায়নসু খঙনরিবা টেম্পররি মার্কেট শেমজিন্নবা কয়ারক হন্না হায়জখ্রবগী তুংদা শেমজিন শাজিনবগী থবক হৌরক্লবসু য়াম্না ফজবা মওংদা অমদি মপুং ফানা শেমজিন শাজিনবগী থবক তৌবীরক্তবনা ফেব্রুৱারি ১৫ দা ইমা কৈথেলশিং ফম্বা য়ারগনি হায়রবসু হৌজিক ওইরিবা টেম্পররি মার্কেটকী ফীভম অসিদদি কৈথেল ফম্বা হৌবা য়াগনি হায়বা থাজদে। মরমদি কৈথেল অসিগী ইলেক্ট্রিক অমদি নোং য়ুরিবা মফমশিং লোয়ননা গ্রাউন্দ ফ্লোর মচেৎ কয়া থোক্লা কায়দুনা লৈরি।

মরিশুবা খ্বাইরম্বন ইমা কৈথেলদা কৈথেল ফল্লিবা ইমা ইবেলশিং অয়াম্বনা অথাপ্পা মফমশিংদা লৈবা লৈত-লায়রবা নুপীশিংনা অয়াম্বনি। কৈথেল অসিদা মমাংদা লম্বীগী মতাইদা ফমদুনা লৈরম্বা ইমা কয়া মফম অসিদা লাক্তুনা পোৎ চৈ য়োল্লখি। ইমা কৈথেল অহুমদা ফল্লিবা নুপীশিংনা পায়রিবা ভেন্দর কার্দ অমদি মখোয়না কৈথেলগী থিরিবা টেক্সশিং মরিশুবা খ্বাইরম্বন ইমা কৈথেলগী নুপীশিংনসু চপ মান্ননা টেক্স থিরিবনি। অদুবু হায়রিবা কৈথেল অসিবু মপুং ফানা শেন্বীদবা হায়বসি ইমা ইবেলশিং অপেনবা হায়বদু ওইদে। মরমদুনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু।

*অদোমগী - খোমদ্রাম সনাহনবী*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/ হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# চেন্নবা মী পুলিসনা ফাবা : লাল্লিবসি কনানো য়েংবা য়াই

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

কনাগুম্বা অমনা করিগুম্বা অমা তৌরল্লবা নৎত্রগা ৱাহৈ খরা হায়রকপা মতমদা শাউনীংবা ফাওবা নৎত্রগা নুংঙাইবা ফাওবা মশানা তাবা ৱাফমনি। মীনা নুংশিনা, ফজনা, থাগৎপা মওংদা ৱা হায়রল্লগনা ইশাদা হেক্তা খঞ্জবা ঐনা তৌখিবা থবক্তু/মওংদা অফবনি হায়না। শম্না হায়রবদা মশা-মশাসি অহৈবনি, অশিংবনি অসিনি। অদুগা হরাওদবা মওংদা কনাগুম্বা মীওইনা তৌরল্লগনা হেক্তা শাউবা, য়ানীংদবা ফোঙদোকপনা মাং হেক্তা থাগল্লি। অদুবু মহাক মশানা করি করিদি তৌরুরে হায়বদি অসিগুম্বা পামদবা/য়ানীংদবা থবকশিং তৌখিবগুম্বা লৈখিবরা হায়বদু নীংশিংনদে, নীংসু-নীংশিংনদে। করিগুম্বা থবক খরা তৌরুদ্রবদি মীনসু করিগুম্বা খরদি হেক্তা তৌরক্লোই। মসিসু খন্থদবা য়াদবা ৱা অমদি ওইরি। মসি হায়-হায়দুনসু করিগুম্বা য়ানীংদবা থবক অমা তৌরক্লিবা মীওই অদুনা লোয়নমক চুল্লে হায়বদি নত্তে। করিসু অকায়বা তৌরুদ্রবসু মী অমদা অৱাবা পীবা মীফত্তা কয়াসু লৈরি।

চীংদা লম্বী, হায়বদি নেসনল হায়ৱে থিংলে। মদুনা মরম ওইরগা গাড়ী চৎপা থিংলে, য়াদ্রে। মদুদি করি মরমগীনো হায়বদা পুলিসনা মীচম খরা ফাবদগীনি হায়বসিনি। শম্না হায়রবদা মীচম ফাবা য়ারোই হায়বদগী য়ানীংদদুনা নুপী, নুপা ময়াম্না ঈরাং হৌবনি। মখোয়নদি মীচমনি, করিসু অরানবা তৌবা নত্তে, লৈতে হায়রবসু পুলিসনদি লম্বীদা চৎলিবা অচৌবা পোৎ পুবা গাড়ীশিংদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক তৌরে হায়বসিনি। নাকল অমদনা মরাল লৈতে হায় অদুগা নাকল অমদনা মরাল লৈ হায়রি। শম্না হায়রবদা নাকল অনীমক্কী ৱা তাবা মথৌ তারে। হৌজিক খন্নবা য়াবদা মরাল লৈতে, মীচমনি, অদুগুম্বা লোনা য়াদবা থবক অমত্তা তৌখিবা লৈতে হায়রিবদুগী মরমদা ঈরাং হৌরিবা মীয়ামদু মুন্না খঙলবরা? করিগুম্বা মুন্না খঙবা, উবা লৈরগনা মদুগী চুনবা খুদম-চাংদম পুথোক্তুনা পীবা তাবনি। মদুদতা মী অদু মীচমনি মরাল লৈতে হায়বা য়াগদৌরিবনি। করিগুম্বা মতিক চাবা খুদম-চাংদম ফংবা ঙমদ্রগদি করম্না মীওইশিং অদু মীচমনি হায়না গভর্ণমেন্ট অমদি লৈবাক মীয়ামদা উৎপা, খঙহনবা ঙমগনি। মীয়াম অমা পুল্লগা মরাল লৈতবা, মীচমনি হায়বদা লৈবাক মীয়াম্না, গভর্ণমেন্টনা থাজবা ঙম্লোই। লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা লো কয়ানসু য়াগদবা লৈতে। মরাল লৈরে হায়রিবা মীওইশিং অদুনা তৌখিবা থবক খুদিংমক লৈকায়গী নৎত্রগা খুল অদুগী মীয়াম্না লোইনা উবা, খঙবা ঙম্বসু নত্তে। করিনা হায়বদা লৈকায়/খুলগী মীয়ামগা হায়রিবা চেন্নরিবা মীয়াম অদুগা পুং ২৪ লোয়নদুনা লৈবসু নত্তে। লোয়নদুনা লৈবসু ঙম্লোই করিনা মীয়ামগীসু হিংনবগী লম্বী থিবদা তৌদবা য়াদবা মথৌ কয়া লৈরি। মদুগুম্বা মথৌদু হুন্দোক্লম্লগা কনাগুম্বা মীওইশিংনা তৌবা থবক পান্নদুনা লৈবা ঙম্নদে। মদুগী পান্নবগী শেল ফংবসু নত্তে। হেক পোকপা মমা-মপা ইমুং অমদা পুন্না লৈমিন্নবা মীওই ফাওবা করি তৌরি, কনাগা তিন্নরি, করি চারি হায়বফাওবা শিৎ নান্না খঙবা ঙম্নদে। অদুনি ওইরিবা ফীভম অসি।

পুলিসসু মী হেক্তা ফানীংবা নত্তে হায়বসি লৈবাক মীয়ামসু লোয়না খঙনরে, উবা ফংনরে হায়বদি মতম অমগী মণিপুরদা ওইরম্বা ফীভম অদু নত্তে। ঙসিদি লমদম অসিদা চাওখৎপগী চাং য়াম্না ৱাংলে। মফম অমদা করিগুম্বা থৌদোক অমা হেক থোকপগী পাউ খুদক্তা হেক্তা তাবা ফংলে, উবসু ফংলে কেবল টি ভিগী অমদি সোসল মীদিয়াগী খূত্থাংদা ভিদিও য়াওনা উবা ঙল্লে। মসিনা মরম ওইরগা পুলিসনসু মী অমা ফানবা নৎত্রগা ৱাহং-পাউহংনবা কৌখৎপদা তরেৎ-তরা থোক্লা, তুং-মাং, নাক-য়েৎ য়েংলগা থবক তৌদবা য়ারক্ত্রে। করিগুম্বা মপূং ফাদবা ফীভম অমদা মী ফাবা, পুনবা তৌরুবদা মদুদা ফংগদবা মীৱা-মৈশা, লোগী ওইবা চৈরাক ফংগদবা কয়া অমসু লৈরি হায়বসি নীংশিংনরমনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা দিপার্টমেন্ট অদুগী থাজবা মাঙলক্কনি, মীংচৎ থিরক্কনি। মদুগী মৈশা পূম্নমক গভর্ণমেন্ট অদুগী কোকথক্তা তাগদৌরিবনি। মসি হায় হায়দুনসু পুলিসকী মায়কৈদা লেপ্পা হায়বগী মওং অদুদি নত্তে। মখোয়গী মরক্তসু লাল্লি হায়বা খঙনা-খঙনা মওং তাদবা থবক অদুমক তৌবা কয়া থেংনরি। অদুবু মদুগুম্বা থৌওং অদু তৌবগী চাং য়াম্না হন্থরে ঙসিদি।

করিগুম্বা মতিক চাবা খুদম-চাংদম লৈতনা লম্বীদা চৎপা মীয়াম নৎত্রগা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ী ময়াম অমা থিংদুনা থম্বা হায়বসি ঙসিগী য়াম্না চাওখৎলবা মতম অসিদা চুনদে। তৌদবনা হেন্না ফরে। কান্নবা ৱারোইশিন পুরকপদসু অপনবা ওইগনি। মীয়ামগী ঈহৌ অদুনা মরম ওইরগা মীওইশিং অদু থাদোক্লবসু করিগুম্বা মীওইশিং অদুনা হায়রিবা ক্রাইম অদুদা চেন্নরম্লবদি লৈবাক মীয়ামগী ওইনা অফবা থবক্লা হায়বসি খন্থমিন্নবা য়াই। শীরিবা মরাল অদুনা অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি ঈহৌ হৌরিবা মীয়াম অদুসু অরানবা লম্বীদা খোঙদাবগী মওং অমদা লাক্লে করম্না হায়রক্লোই? অদুগা ঈহৌ হৌরিবা মীয়াম অদুগীসু মনুংদা ঈহৌ অদু হৌবদা পামদবা অদুবু লৈকায়গী/খুলগী ওইনা হৌরকপা ঈহৌ ওইবনা য়াওদবা য়াদদুনা য়াওবা মীওই কয়াসু য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদু ওইরল্লবদি চমজরবা মীওই কয়া অমসু লান্না লমজিংবা হায়বদু থোক্লে। মীওইবগী রাইট হায়বদু লৈহন্দ্রে। দেমোক্রেসি হায়বগী ৱাহন্থোক লৈত্রে হায়বা য়াই। লৈকায়/খুল অদুদা লৈরিবা য়ামখ্রবা মীওই কয়াগী মরক্তগী মীওই খরতবু খন্দোক্লগা ফারিবনি অদুনদি মসিদসু ৱাখল খন্থবা য়ারে। পুলিসসু হান্না মাঙজৌননা য়াম্না কূপ্পা থিজিন-হুমজিল্লমগনি। মদু নত্তনা মপূং ফাদবা পাউ-ঈদা অসিগুম্বা থবক তৌবমক্তি ওইরমগনি হায়বা থাজদে। মীয়াম্না উহৌবা তারবসু লম্বী থিংবা নত্তবা অতোপ্পা ঈহৌ অমা থিবা য়াই। লম্বী থিংবগী ঈহৌ নৎত্রবদি পান্দম ফংলোইদবা করিসু লৈরোই ৱাফম অদুনবু অচুম্বমক ওইরবদি। অচুম্বমক ওইরবদি লমদম অদুগী মীয়ামগী মতেং অথাপ্পা মফম কয়দা লৈবা মীয়াম্নসু শোয়দনা শৌগৎলক্কনি। লমদমসিগী লম্বী অমা থিংবা হায়বসি চীং-তম অনীমক্কী মীয়ামদা হকথেংননা অকায়বা থোকহল্লি।

কনানবু খঙবা তম্ববু ঙম্ব্রা মপাঙ্গল কনবা কাঙবু ওইরমদুনা মীয়াম্বু ঈহৌ হৌহনবা ওইরম্বসু। মসিগুম্বা থৌওং অসি মালেমগী লৈবাক কয়াদা য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোক অমনি। অদুনা মফম অসিদসু অদুগুম্বা থৌওং কয়া অদুসু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা ওইরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মদুমক ওইরম্বা তারবদি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা মীয়াম্না মশাগী রাইট ফংজবা ঙমদে, রাইট মৎপীরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুনদি মীয়ামদি করিসু হায়জবা ঙমদ্রে, য়াম্না তোন্না হিংলে হায়বসি লাল্লগদ্রা? ●

# কোরোনা লোইশিল্লকপসি শাথীনা নুংঙাই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

মতম কয়া শাংনা ইরমদমসিদা লাক্ল-ফানবা ঙমদনা লাকখ্রবা 'কোরোনাভাইরস' লায়না, হন্দক্তা ইখঙ-খঙহৌদনা ইরমদমসিগী লৈমায়দগী পুম্মূৎ-মূৎখিগদৌরবা অমগুম, মশীং খঙহন-হন্থরকপসি অসুক্কী মতিক পূক্লিংদা নুংঙাইবা ফাওই। কোরোনাভাইরস লায়নানা মীওইবা খুন্নাইদা শীংনবগী ৱাফমশিং, পন্দুনা লোইবা খক নাইরোই। অহোয়ননা লায়নাসিনা মীওইবগী পুন্সিবু তেমশিংনবা খক্তা নত্তনা মালেমসিগী চাওখৎ-খোঙথাংশিংবু হীরম খুদিংমক্তা লৈখা তানা চিংথনবা হোৎনৈ। ৱাফমসি মীওইবা খুন্নাইনা ময়েক শেংনা খঙই। অসিগুম্বা মীওইবগী খ্বাইদগী চাউরবা য়েক্লবসিনা ইরমদমসিদা মদোম কংদুনা মাঙখিবদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইবগী ঈথক হৌরোইদবা ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংবু লৈরমগদ্রা? চীং-তম, হিন্দু-মুসলমান, নহা-অহল খায়দনা পূম্নমক্কী য়েক্লবা ওইরিবা মহাক্লা মালেমসিদগী মরূ ফংনা কংখিবদুনি ঐখোয় পূম্নমক্লা পান্নরিবসি। ঙসিদি ইরমদমসিদা লায়নাসিনা খুদুম চল্লিবা মীওইশিং শুপ্পগী খূৎয়া অমখক্তা ঙাইশিল্লক্লে। নোংমদা দিজিট অনী শুনা ফাওবা নারক্তবনা অয়াম্বা ওইরে। সিদগী হেন্না নুংঙাইবা পাউবু কদাইদগী লৌরুগদগে? ঐখোয় নুংঙাইবা ফোঙদোকপমক নৎত্রবসু থম্মোয়নুংদা হরাউবগী ঈথক্তি শোয়দনা কানরমগনি। অদুমকপু, হীরমসিদা চেকশিনবা হায়বা থৌদৌসিমদি মখা তানা অদুম্মক থাদোকপা য়াখিরোইদৌরি।

লমদমসিদা উচিন নাচিন্না কোভিদ-১৯না নাবা মীওই লৈরক্তবা য়াবগী ফীভম য়ৌশিল্লক্লে। ফীভমসিনি ফনা শাংলবা মতম অমা ঙাইনরক্লিবসি। খ্বাইদগী হেন্না চেকশিন্না শেন্নহৌগদবা ক্রুসিএল খ্বাইদগী হেন্না ওইবা পিরিওদদুসু মসিনি। হন্দক্তি করিগুম্বা মখল অমত্তগী অশোয়বশিংনা ইরমদমসিদা অমুক হন্না কোভিদকী অৱাবসি ঐখোয় শরুক য়াদনবা হোৎনমিন্নরসি। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো, হন্দক অমুক্তং ইরমদমসিদা কোভিদ-১৯গী অকিবশিংদগী ফ্রী ওইনা হিংবা ঙম্লনি খনবদদি ওখাক্লি নুংঙাই। ফনা শাংবা মতম অমা কোভিদ-১৯গী খুবাম্লুংদা ইরমদম মচাসিগী মীয়ামগী থৱায়শিং লাংহীকমুক্তং চাউদুনা কুন্দুনা লৈরুরবনি। থৌদৌশিংদুদগী ঙসিদি ঐখোয় তশেংনা নীংতম্লবা মীশকশিং হায়বদু শোয়দনা ওইরগনি খঞ্জরিবনি। ৱাখল্লোনসিমত্তং শেন্বীবা মপু মানসু থৌজানবীবা ওইসনু। কোভিদ-১৯ লাকৈঙদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল উরক্ত্রে, সিনেমা হোল মশক খঙখিদ্রে, শুম্মাং কুম্মৈ, ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরমশিং অমত্তা মৱা-মপাউশিং তাখিদ্রে। শুম্মাঙ কুম্মৈগী আর্টিষ্টশিং, ঈশৈ-নোংমাই তৌজরিবশিং, ফিল্ম নমজরগা অমদি আর্টিষ্টশিং ওইজরগা হিংজরিবা কাঙবুশিং, লমদমসিগী মশীং য়াম্লবা ইচিন-ইনাওশিংসিগী পুন্সি কমদৌরিবনো খঙখিদ্রে। লায়রবনা মপান শাবা লমদমসিদা শুজ-নোমজরগা চাজরিবশিং লমদমসিদা কোভিদ-১৯ লাকৈঙদগী করিনো ওইরক্লমগদৌরিসি? অনাবগী ৱাফম্না অমা ওইনা থমখ্রগা, ফীভমসিদা ইরমদমসিদা কোভিদ-১৯গী থবকসি লোইশিল্লসি হায়বদা হরাউরোইদৌবা মীশকসিবু লৈরম্ফম থোকপরা? পূম্নমকসিগী মথক্তা কোভিদ-১৯না নাদুনা পুন্সি লোম্নখিবা ময়াম অমসু য়াওরিবনি। ইকন-কন্না লৈরম্বদগী খঙলাক-খঙজিনদা কোভিদ-১৯না থৱায় পুবিখিবা কয়া অমসু লৈরিবনি। মখোয়দুগী ইমুং-মনুংশিংনা করি ওইহৌরমগনি? পূম্নমকসি য়েংলুরগা ইরমদম মণিপুরসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসি লেপ্পগদবা মাল্লি খল্লুবদা নুংঙাইবা ফাওরোইদবা মীশকশিং লৈরম্লোই।

চাইনা লৈবাক্কী ৱুহান সিটিদগী কুমজা ২০১৯গী লোইরমদাইদা মালেমসিদা পুমনৌ-নৌনা পুথোক্লকখিবা কোভিদ-১৯ হায়বা ভাইরস মখলসিনা মালেম থুংনা শন্দোক্লকখিবা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎসি লাকখিবদা ইরমদম মণিপুর খক্তগী ৱা নত্তনা, মালেম পূম্বগী মীয়ামসিনা নুংঙাইবা কৌবদি অমত্তা য়াওখিদ্রবনি। থৌদৌসিদা মণিপুরগী ওইনসু লায়না-লাইচৎসিনা লাকশিন্দুনা চৎলম্বা থৌদৌদু অরোইবা তাঙ্কক অমা লাক্তুনা লায়নাসিগী অকিবদগী কোকচরগনি খনবগী তাঞ্জাদু য়ৌরকপদা হরাউনদবা য়াওদ্রি। মালেমগী লৈবাক অতৈসু চপ মান্নরিবনি। অদুগা তঙাইফদ্রিবনা, অসুম্না ফগৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা তমথীবা লায়না মখলসি অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্তনবা লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং মপূং ফানা লৌখৎনবগী ৱাফমসিনি। লৌখৎকদবা চেকশিন-থৌরাংশিং অয়াম্বনা হান্নগীগা মান্নগনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) দগী হৌজিক-হৌজিক্কী ওইবা ঈ-পাউশিংসু ফাওনবা য়াগনি। তৌইগুম্বসুং লুরিবদি, লমদমসিগী ওইনা খজিক্তং শাফরকপা মীৎকুপসিদা, মহৌশাদগী হৌনা লৈরল্লবা লমদমসিগী কোমথোক্কনবগী চৎনবীসিনা কোভিদ-১৯বু অমুক কাউথোক্ল খিদ্রা হায়বসিনি। কাউথোক্কনবা ইরমদমনি, থওই-ৱাওইগন্দবা, কোমথোকপতনা ইশরুক ওইজরিবা ইরমদমসিগী ইরৈচাশিংনি। হন্দক্কী মতাংসিমদি ঐখোয় কোরোনা লায়নাসিগীদমক খল্লগা ইশাগী হৈনবীশিং থাদোক্তুনা লায়নাসিগা মরী লৈননা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না পীবা পাউতাকশিং চেকশিন্না ইনবা ঙম্নবা হোৎনমিন্নবা ফৈ। নৎত্রবদি, কনানা খঙগনি, অনীশুবা রাউন্দগী ওইনা তমথীরবা কোরোনাভাইরস লায়নাসিনা ইরমদমসিদা অমুক হন্না হঞ্জিল্লকপসু য়াদবা নত্তে। লমদমসিদা কোরোনাভাইরস লায়নাগী মপাঙ্গল হন্থরক্লে অমসুং লাইচৎসিগী অৱাবা পোৎলুমশিং ইরমদমসিগী মীপূম অয়াম্বনা থাংথনরে হায়রগসু তমথীরবা কোভিদ-১৯ মহীকসিদি মালেম পূম্বসিদগী মরূ ফংনা মাঙহনখিবদি নৎত্রি। লমদমসিমক্তদসু হৌজিক হৌজিকমক লায়নাসি মশক উগে ফংখিদ্রে হায়বমকসু ওইদ্রি। অদুগা, মায়কৈ অমরোমদনা, কোরোনা লাইচৎনা মমি শামথরকপদা, লমদমসিদা হান্না লাইচৎসিগী অকিবনা থোঙ লোনশিন্দুনা থল্লম্বা মফম কয়ামরুম অমসু শোয়দনা থোঙ হাংনরক্কদৌরি অমসুং লম্বী-লমজাওশিং য়াওনা মফম কয়ামরুমদা মীনা চিক্লা-চাইনবা ঙমদবা মখৈ কৃক-কৃক ইন্ননা চৎলগদৌরি। থৌদৌসিদা কোরোনাগী অথিংবশিং কাউথোক্লখিগদ্রা হায়বসিসু তশেংনা পূক্লিংদা নুংশা থীবা পোকই। নাকল অমরোমদনা, লমদমসিদা কোরোনাভাইরস ফ্রী ওইরকপগী নুংঙাইবসু অসুক্কী মতিক থম্মোয়দা ৱাংনা ফাওরি। অসিগুম্বা নুংঙাইবগী ইথক-ইপোমসি মতম চূপ্পগী ওইনা থম্মোয়দা ৱাংনা কাদুনা লৈহন্নীংই।

লোইশিল্লকপদা হায়নীংলিবসি অতৈ নত্তে, মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী অনাবা মশীং নোংম-নোংমগী হন্থরকপা অমসুং কোরোনাভাইরস ফ্রী ওইরকপা য়াবগী নুংঙাইবসি থম্মোয়দা মকা লাম্না ফাওমিন্নসি। অদুগা, তুংদা অমুক হন্না ইরমদমসিদা কোরোনাভাইরসকী অকিবসি লাকহন্দনবা, লৌবা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিংসু লৌমিন্নসি হায়বসিনি। কোরোনাভাইরসনা নাবা মীশিং হন্থরকপগীদমক হায়দি তশেংনা হৌজিক মণিপুর, কোরোনাভাইরসকী মরমদা থোইদোক্লা চিংননীংঙাই ওইদ্রে হায়বা ফাওবা য়ারবনি। অদুবু, শুপ্পগী মৈখেৎ মরূ অমখক্তংনা খেৎপা মৈনা চাউরবা মালেমসি তুমদ্রিফাওবা চাকপা হেন্দোক্লা কোন্নবদুগুম, শুপ্পগী কোরোনাভাইরস মহীক অমখক্তংনা ইরমদমসি খক্তগী ৱা নত্তনা মালেম পূম্বগী মীয়াম পূম্বসি নাহনবা ঙম্বসিদা, লায়নাসিবু ঐখোয়না খক তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়বগী ৱানি। ●